# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৩২

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

**এম য়ুগী ৱাথোক :-** জুন ২৬, ২০০৭তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট মরিনা কম্প্যুটর সোফ্‌ট ৱায়র য়াওনা লুপা লাক্ষ নিপাললোমগী পোৎলম কয়া সপ্লাই তৌরমদনা পৈশা পীথোকখিবা ৱাফম অদু য়াওল্লুপ অমনা চাদা ১০ পীয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌরকপদগী তৌখিবনি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর সী অমুবনা ফোঙদোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা) না লৌখৎলকপা থবক্তা শীরিবা মরালশিং অমদি মরী লৈনবা থবকশিং থাসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা হন্দোক্কদবনি হায়না অলটিমেটম অমা য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিদা য়ৌহনখি।

জুন ২৬তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট মরীদা পোৎ সপ্লাই তৌরক্তনা লুপা লাক্ষ নিপালরোমগী বিল কায়থোকখিবগী মতাংদা ওইরক্লিবা ৱাথোক্কা মরী লৈননা য়ুনিভর্সিটিগী ভিসীনা দিপার্টমেন্ট মরিগী হেদশিংদা মরাল শিরুবা অদু হন্দোকপগী ফীভম লৈরবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা) না তাল্লিবা দিমান্দশিংগা চান্ননা থবক লৌখৎলক্তবনিনা মুটানা খোঙজং হৌনবগী অনৌবা মতম অমুক পীখ্রে। থাসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা শেংদোক্কবা মতম পীবদা য়ানখি। তাং ২৭তা এম য়ুগী ভি সী প্রোফেসর অমুবনা রাজভবন্দা চৎতুনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী রেক্টর ওইরিবা গভর্ণর ডাক্তর এস এস সিধুগা উনখি।

জুলাই ৫, ২০০৭তা ভি সীদা অমুক্কসু মতম থাখি। জুলাই ৭ ফাওবা মতম অমুক্কা হন্না পীখি। জুন ৮দা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংদা মরাল শিখিবনি। ৱাথোক অসিদা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং চেন্নদে অমদি মখোয়দি এম য়ু ওথোরিটিনা অকনবা প্রেসর পীবদগী সাইন তৌখিবদনি হায়বা ৱাফম থল্লকখিবদগী মুটানা মীটিংগী প্রোসিদিং অমদি প্রেসতা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট (ক্লারিফিকেসন) হন্দোক্কদবনি হায়না ভি সীদগী দিমান্দ তৌখি।

জুলাই ৯, ২০০৭তা এম য়ু ফেক সপ্লাইগী ৱাথোক হেন্না চাউথোরকখি। হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট মরি বাইও টেক্নোলোজিগী প্রোফেসর জি জিতেন শর্ম্মা, লাইফ সাইন্সকী প্রোফেসর শান্তিবালা, কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর রাজমোহন অমসুং কম্প্যুটর সাইন্সকী তেজমনি ফম থাদোকখি। মুটানা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্কারি দিমান্দ তৌখি।

জুলাই ১০দসু এম য়ুগী হেদশিংগী ফিরেপ হোংখিদে। মখোয়গী ঈজৎ এম য়ু ওথোরিটিনা ঙাকপা ঙমদ্রে হায়বা ৱাফমদা ফম থাদোক্লুবা ফিরেপ লৌদুনা ভি সীদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবদু হোংদনা হেন্না কনশিনখি।

জুলাই ১১দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি অমনা অমদা মরাল তাইশিন্নদুনা লৈরিবা অসি তোক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্লগা একাদেমিক্কী ওইবা থবক্তা চঙশিল্লক্তুবদি থবক লৌখৎলগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না ফোঙদোক্লকপগা লোয়ননা ৱাফম খরসু মরী লৈনবশিংদা থল্লকখি ।

মুসুগী চেরোলসিগী মতুং ইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থাদরকপা শেনফম কয়া মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্ট ওইবা থবকশিংদা শীজিন্নবা ঙমদ্রগা তোঙান তোঙানবা লূপশিং, য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিং, গভর্ণমেন্টকী মেছিন্নরিবশিংনা কন্টেক্ট সপ্লাই অমদি পার্সেন্টেজগী মওংদা লৌখিবনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা শেমগৎ শাগৎলকপা খুদিংমক্তা ক্বালিটি য়াওরক্ত্রে হায়রি।

ৱাথোক অসিদা কনাগুম্বা অমত্তা মোরেল্লি লানবা লৈতে, লৈবাক অমদি ফীভমনা য়াদদুনা থোকপনি অমদি ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি হায়না মুসুনা ফোঙদোক্লদুনা ওথোরিটি অমসুং ওজাশিংনা মুন্না খন্থরগা একাদমিক এটমোসফ্যেরদা লাকপীয়ু হায়না আপিল তৌরকখি।

আপিল অসি তাবিদ্রবদি মুসুনা কনাগুম্বা অমত্তগী মোরেলিটিগী ৱাফম য়েংদনা লিগেল অমদি টেক্নিকেলিটিদা য়ূস্ফম ওইরগা তৌফম থোকপা তৌরকপদা কনা অমত্তনা ৱারৌবীগনু হায়বা ৱাফমসু থল্লকখি ।

গভর্ণরনা দি সীবু কৌরগা উনখি।

জুলাই ১৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ফেক পোষ্টপু অশেংবা ওলহনবগী ৱাথোক অমসু থোক্লকখি। ওগষ্ট ৭, ২০০৭তা এময়ুগী দিপার্টমেন্ট খরদা লান্না মিং চল্লে হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এম এস এফ) না হায়খি।

ওগষ্ট ১৭, ২০০৭তা হায় সেন্সিটিব এরিয়া ওইরিবা মিনিষ্টর, এম এল এ, এম পি, এক্স এম পি অমদি এক্স এম এল এশিংনা লৈরিবা বাবুপড়া মনুংদা অচৌবা ওপরেসন অমা চথুদুনা য়ু জিনি হায়বা মীওই ১১ অমদি য়ু জি ওইরম্বদগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাদুনা লৈরম্বদগী বেলদা থোক্লগা লৈবা অমা ফাগৎখি।

ওগষ্ট ২২দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফংফম থোকপা থাগী চেঙগী কোটা সঙাইপ্রৌদা লৈবা এফ সী এসকী গোদাউন্দগী চিংথোকপদা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গেনাইজেসন খরনা য়ানি-য়ারোই হায়দুনা অথিংবা পীরকপদগী চেঙ চিংথোকপা ঙমদনা লৈরম্বদু এফ সী এস মিনিষ্টর ৱাই ইরাবোত মশানা শংলগা চিংথোকহনখি।

ওগষ্ট ২৮দা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি ইন চার্জ ওইরম্বদগী সস্পেন্দদা লৈরিবা ফুরাইলাৎপম নন্দকুমার শর্ম্মাবু পুং নিপানলোম তাবদা ওই থংবা খুকউ মখাদা নোংমৈনা মরূ অমা কাপশিল্লমখি। নুমিদাং অথেংবদা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক্তা থেংনবদগী রাজ পোলি ক্লিনিক্তা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

ওগষ্ট ২৯, ২০০৭তা মণিপুরগী এম এল এ তরুক অমদি এম পি অমনা পূন্না সাইন তৌরগা নাগা ইন্টিগ্রেসনগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুগা মরী লৈননা এসেমব্লি মীফম কৌদনা লৈবসিগী অফ-ফত্তগী থৌদাং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়না এম পি পিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

থাসিগী তাং ১৭তা মণিপুর পুলিসনা বাবুপড়া মনুংদা ওপরেসন চথুদুনা এম এল এ অমদি এক্স এম এল এশিংগী ক্বার্টরদগী য়ু জি অমদি য়ু জি ওইরম্বদগী বেল থোক্লকপনি হায়বশিং ফাখিবা অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীবু থাগৎলকখ্রে হায়।

ওগষ্ট ৩০, ২০১৭তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কাথুৱা দিষ্ট্রিক্টকী দুদু-বসন্তগড় বেন্টতা মণিপুরদগী হৌরকপনি হায়বা লাস্কর-ই-টোইবা (এল ঈ টি) গী ওপরেটিভ অমা ফাখি।

ওগষ্ট ৩০, ২০০৭তা অথিংবা থমখ্রবা লূপ কে ৱাই কে এলগী ওপরেসন ন্যু কংলৈপাক্কী স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্সনা সেক্রেটরি ইন চার্জ এন রাজ মোহন্দি থোইদোক্লা মরাল লৈরমদ্রে হায়না তেক্তা কায়দনা থাদোরকখি।

ওগষ্ট ৩১, ২০০৭তা কুকি য়ু জি গ্রুপশিংগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকা ওপরেসন চথবা লেপ্পরগনি হায়না নুমিৎসিদা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগী গ্রাউন্দরুলদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ওপরেসন লেপ্পবগী ৱাফম চৎনরগনি হায়।

ওগষ্ট ৩১, ২০০৭কী অয়ূক পুং ৭.৪৫ রোম তাবদা লাঙ্গোলগী লাই মনাইদা লৈবা মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর ডাক্তর টি আর কোমগী য়ূমদা মারুটি কারদা লাকপা মশক খঙদবা নহা অহুম মরিনা হেন্দ গ্রেনেদ য়াওবা খাউ অমা পীশিল্লম্লে হায়।

গ্রেনেদ অদু পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা অয়ূক পুং ১০.১০ রোম তাবদা লাঙ্গোল লম্বীদা লৈবা অমোৎ অকায় হন্দোকফমদা পোকখায়হনখ্রে।

অমরোমদা, বোম থল্লম্বা থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মেক্সকী কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

সেপ্টেম্বর ৩, ২০০৭তা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিতান পুলিসতগী কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা লৈবা তাঞ্জুল হুন্দুং ইম্ফাল চেনবা পেসেঞ্জর জীপ অমা কুকি লিবরেসন আর্মিগী মীওইনি হায়বশিং অদুনা হায়জেক্ট তৌনবা হোৎনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক থাউ খরা ৱাৎকনি হায়বদগী মফম অদুৱাইদা ড্রাইভরদুনা থাউ থিবা চৎখ্রিঙৈদা নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল তাখি। মনাক নক্লা লৈরম্বা এন এস সী এন (আই-এম) গী মীওইশিং অদুনা জীপ অদু হায়জেক্ট তৌদনবা খঙহনখি। অদুবু কে এন এগী মীওইশিং অদুনা য়াদবদগী নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লরকখিবদা এন এস সী এন (আই-এম) না নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌখি। কে এন এগী মীওই ১০ জীপ মনুং অমদি মপান্দা শিরগা তাদুনা লৈরম্বা অদু কিদুনা চেল্লুবা খুঙ্গাশিংনা হল্লকপদা থেংনখি। মীওই অনীদি চেল্লমগনি হায়। মখোয়না পায়রম্বা খূৎলায়শিংসু খোমদুনা এন এস সী এন (আই-এম) না পুখি। শিরল্লিবা অসি তাঞ্জুল হুন্দুং পব্লিক গ্রাউন্দনি।

সেপ্টেম্বর ৪, ২০০৭কী অয়ূক অঙনবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং থোং ময়া অমসুং মচাহন তাখোক লৌকোন্দা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমসুং ৩২শুবা এ আরগী অপূনবা ফোর্সকা খূৎ থোক্লুবদা পিপলস য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট, পল্ফ (উমর ফরুক গ্রুপ) কী সেল্ফ ষ্টাইল কম্মান্দিং ওফিসর য়াওনা অহুম শিখি।

সেপ্টেম্বর ৩গী নুমিদাং পুং ১১ তাবদগী সেপ্টেম্বর ৪গী অয়ূক পুং ২ তাবা ফাওবা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং এন এস সী এন (কে) অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লুবদা এন এস সী এন (কে) গী অনী শিরগা এন এস সী এন (আই-এম) গীনা অহুম শিখি হায়। থৌদোক অদু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতগী কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা লৈবা খুন্দোং পার্ট ৱান্দা থোকখিবনি।

সেপ্টেম্বর ৬, ২০০৭তা মফম কয়াদা তুরেল লৌনম্বাল কায়খি, মীসু শিবা য়াওরে, লম্বীসু য়াদ্রে হায়। হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী উখোংশাংদদি ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই অমা শিখি। লৌ অমদি য়ূম-কৈ কয়া ঈশিংনা থুমজিনখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেকমাই তুরেলগী ঈশিং খুদোংথীবা য়াবা চাংগী মথক্তা চেনখিবগা লোয়ননা অয়ূক পুং ৮.২০ লোম তাবদা কৈরক লৈকায়দা ফুট ৩০ রোম শাংনা লৌনম্বাল নমখায়রকপদগী য়ূম ১০০ রোম ঈশিংনা থুমজিনখি।

ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা দ্যুটি তৌনবা শিন্নখিবা এঞ্জিনিয়র মরি মথৌ তৌরমদবগা মরী লৈননা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়। সেপ্টেম্বর ৭তা মখোয় মরি সস্পেন্দ তৌখি।।◀◀

---

# কছাড়গী মহারানি অমা ওইনা তম্ফা ৱাংঙমলোন মৈতৈ চনু ইন্দুপ্রভা

**খুন্দোংবম কুমার**

**রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র** মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (১৭৬৩-১৭৯৮) গী হাক্তক্তা কছাড় (ময়াং লৈবাক/দিমাসা) অমসুং মৈত্রবাক মণিপুর লৈবাক অনীগী মরীসি য়াম্না নুংশিন্ননা লৈনরম্বা - মতমদুগী কছাড়গী লৈমরেম্বী হরিপ্রিয়া (কুমজা ১৭৪৪দগী ১৭৮৮) না হেক নোঙ্গাখিবা মতুংদগীদি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগা অমসুং মনেম শীজ হরিপ্রিয়াসিগী মচা ইবুংঙো অনী - কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন অমসুং গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী লাপথোক্লখিবগুম তৌখিবা মাল্লি। অদুবু মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (কুমজা ১৮০০-১৮০৩) গী হাক্তক্তগীদি লৈঙাকলোনগী পরিংদা চারৌ মৌরৌনবগী থবক পায়খৎতুনা মৈদিংঙুসিগী মজাইবেম্মা ইন্দুপ্রভাবু কছাড়গী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন্দা থাজ-য়োঞ্জদুনা মৈদিংঙুগী ফীভম চেৎনবা হোৎনখিরম্মী। অদুবু মতমদুদা কছাড় লৈবাক্কী মরায়বক্তা তল্লকখিবা হায়গদ্রা, লৈবাক মচেৎ-মচেৎ তানা কায়খিগদৌরবদা ৱাংঙমলোন মৈতৈ চনু ইন্দুপ্রভানা মপূরোইবগী ওইরিবা কছাড় লৈবাকপু কন্ননবা হোৎনখিবা থৌরাং থৌশিলশিংদুবু পায়রুবদা থেংনজবা খজিক্তং লাপ্থোকচনবা হোৎনজবনি।

তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মৈদিংঙু মধুচন্দ্র (তমলেনখোম্বা/নিংথেম য়াইমা) অমসুং মহাক্কী অহুমশুবী তাল্লোই লৈমরেম্বী কোন্সম চনু অনীগী মচাইবেম্মনি। মহাক্কী মমাতিন্নবা মৌপ্বা ইবুংঙো ইবুংশীজ মদনশাই অমসুং ইবুংশীজ য়ুমজাওতাবা অনীনি। ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মপাবুংগী কাঞ্চিপুর কোনুংগী লমখৈ-ঙমখৈ মনুংদা লৈবা শঙ্গায়দা কুমজা ১৭৮৮দা পোকখিরম্মী (থৱান/থাশিংদি পনবীরমদ্রে)। মচাইবেম্মগী মপাবুং মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগা পোকমিন্নবা মমা তিন্নদবা মতোন শীজশিং - মৈদিংঙু চৌরজিৎ (কুমজা ১৮০৩-১৮১৩), মার্জিৎ (কুমজা ১৮১৩-১৮১৯), গম্ভীরসিংহ (কুমজা ১৮২১, ১৮২৫-১৮৩৩) অমসুং ইবুংশীজ ভৌৱামশাইগী মশু ইবুংঙো, মৈদিংঙু ভদ্রগীদি মচাইবুংঙো মৈদিংঙু নরসিংহ (কুমজা ১৮৪৪-১৮৫০) অসিনচিংবনি। ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি ময়াং কছাড়গী নিংথৌ হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগা হায়ন-শিংনবদা য়ানরদুনা কুমজা ১৮০২গী এপ্রিল ২০ (শকাব্দ ১৭২৪গী শজিবুগী ১৭নি পানবা) দা কছাড় লৈবাক্তা থিন্থখি। অসুম্না কছাড় (হিরম্বদেশসু হায়) গী লৈমরেম্বী ওইখিরম্মী।

মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী মজাইবেম্মা ইন্দুপ্রভা কুচু-কুমেন লময়ৌনা নুপী ওইবীগী শাওং শাদা ৱাৎতনা লময়ৌনা অঙকপা ফংনা ফজৈ হায়বগী ঈ-পাউসু থেংনৈ। মহাক্কী মশক মতৌ ফজমনখিবগী ৱারোলগী মতুং ইন্না কছাড়ীগী অইবা ‘ভুবন মোহন বিদ্যানন্দ’ না ইন্দুপ্রভাবু ইজিপ্টকী রানি ক্লিওপত্রগা চাংদম্নে হায়বদি ‘ক্লিওপত্র ওফ কছাড়’ হায়না শিংথানরম্মী। অদুগা ‘শ্রীনালিমেন্দ্র কুমার বর্খননা মহাক্কী লাইরিক "The Queen of Cachar or Heramba and history of Cachar" দা অসুম্না ইরম্মী - ‘কনাগুম্বনা অয়ূক অঙনবগী নুমিৎকী সনা মচু মানবা অমসুং পুর্ণিমা থাজগী ফজরবা থাবলগী মঙাল অদু য়েংনীংলবদি হিরম্বদেশকী মহারানি ইন্দুপ্রভাগী মায়থোংবু য়েংজৌ’ অসিনি।

ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা কছাড়গী লৈমরেম্বী ওইখিবা মতমসিদগী হৌনা মৈত্রবাক মণিপুরদা মহাক্কী মতোনশীজশিং নিংথৌ ফম্বাল মুন্নরকপগী ঈরাংসু হৌনরকখিরম্মী। মৈদিংঙু মধুচন্দ্রসু চহী ৩দগী হেন্না নিংথৌ ওইবা ফংখিদে। মৈদিংঙু মশামক মৈদিংঙু চৌরজিৎনা ফম্বাল মুনখিবদগী মচাশিংগা লোয়ননা কছাড় লৈবাক্তা চেনখিদুনা মচাইবেম্মা ইন্দুপ্রভাগী মনাক খাসপুর কোনুংদা লৈখিরম্মী। মৈদিংঙু মধুচন্দ্রনা মাঙখ্রবা খুভম হঞ্জিন্নবা মমাক নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন্দা মতেং পীনবা হায়জরবদা, নিংথৌ অমসুং ফম্বৈ-ফল্লুপ তিন্নদুনা লৈমা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী য়েংদুনা মৈদিংঙু মধুচন্দ্রগী তেংবাঙ পীবদা য়ানরম্মী। মৈদিংঙু মধুচন্দ্রনা কছাড়গী লান্মীশিংগা লোয়ননা মচাইবুংঙো মদনশাই য়াওনা মৈত্রবাক মণিপুরদা মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মথক্তা লান্দারম্মী। অসুম্না কছাড়রোমদগী থোরক্তুনা লান্দাশিল্লকপসিনা ময়াংকৈনৌগী শামুপন্দা মৈদিংঙু চৌরজিৎকী লাল্লোই লান্মীশিংগা লান শোক্লখিরম্মী। লানফমদুদা মৈদিংঙু মধুচন্দ্র অমসুং মচাইবুংঙো মদনশাই য়াওনা কছাড়গী লান্মী খরগা কুমজা ১৮০৪গী এপ্রিল ২৩দা লৈখিদ্রে। শামুপনগী লানফমসিদা মপাবুং মধুচন্দ্র অমসুং মৌপ্বা মদনশাই হাৎখিবদা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাদা থম্মোয় শাথিনা শোকহনখিরম্মী।

মতৌ অসুম্না তম্ফা ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী পূক্লিং ৱাখলদা থরুম ৱারুম পুদুনা মতম পূন্নমক্তা মৈফম লীংদুনা লৈখিরম্মী। অদুগা মৌপ্বা ইবুংঙো য়ূমজাওতাবদি লানসিগী মতুংদগীদি মচেম শীজগী মনাক কছাড়গী খাসপুর কোনুংদা লাক্তুনা লৈরবা য়ানবা থোঙ লাউনা হাংদুনা লৈখিরম্মী। মতমদুদগী হৌনা মৈত্রবাক মণিপুর অমসুং কছাড় লৈবাক অনীগী মরী অমুক লাপথোক্লখিরম্মী।

ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাসি হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী১৩শুবা তাল্লোই লৈমরেম্বীনি। ৱাংঙমলোন মৈতৈ চনুসি নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগা চহী ১১ পান্নরম্মী। অদুবু কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগী মচাইবুংঙো অমসুং মচাইবেম্মা অমত্তা ফংখিদে। চহীদসু লৈমা ইন্দুপ্রভাগা কৃষ্ণচন্দ্র নরায়নগা য়াম্না খেন্নৈ। হিরম্বেশ্বর কৃষ্ণচন্দ্র নরায়ন্না অহলগী মতম ওইশিল্লক্লবদা মহাক্লা পামজনা চৎচরিবা হিন্দু বৈষ্ণব লাইনীংদুদা লুপচরদুনা ভারতবর্ষদা লৈরিবা লাইফম লাইশঙশিংদা কোয়না চৎতুনা খুরুমজরুনবা অমদি য়েংজরুনবগীদমক্তা কুমজা ১৮১২ অদুৱাইদগী খাসপুর কোনুং থাদোক্তুনা মনাও ইবুংঙো ৱাঙ্গোল নিংথৌ (য়ুবরাজ) দা লৈঙাকলোনগী পোৎলুম শিন্নরম্মগা লেংখিরম্মী। অসুম্না চৎখিবদগী অরোইবদা অৱাং ভারতকী বেনারসকী লাইফমদা কুমজা ১৮১৩দা নোঙ্গাখিরম্মী। অসুম্না তম্ফা ৱাংঙমলোন মৈতৈ চনু ইন্দুপ্রভা মশাগী চহী ২৫খক্তং ঙাইরিঙৈ মতমদা লুখ্রা ওইখিরম্মী। অদুবু কছাড়গী নিংথৌ ফম্বাল লৌহৌরিবা মনাও ইবুংঙো গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন্না মতৈমা লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভাবু মহাক্কী তাল্লোই লৈমা অমুক ওইনবা কন্না তকশিন্দুনা লাকখিবসিনা মমৈথংদা কোনুংগী ফম্বৈ ফমলুপশিংগা য়ানরবা মতুংদা, হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন অমসুং ৱাংঙমলোন মৈদিংঙু মধুচন্দ্র চনু ইন্দুপ্রভা মখোয় অনীসি কছাড় লৈবাক্কী হিরম্বেশ্বর অমসুং লৈমরেম্বী (মহারানি) গী মিংখৈ মিংলেন পীদুনা ফম্বাল লাংমিন্নখি।

মতুং তারকপা কছাড়গী লৈঙাকলোনগী পরিংদা, ঙহাক লৈতনা চৈথেং পীরিবা তুলারাম কছাড়ী হায়রিবা মীশকসিসু কুমজা ১৮১৩গী অদুৱাইদা কছাড় লৈবাক্কী লান্মীগী লাঞ্জিং পুরেন (সেনাপতি) ওইরম্বনি। মহাক মৈতৈ নিংঙোলনা পোকপনি। মপাগী মমিংনা রামসিং কছাড়ী কৌই। গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন্না মণিপুরদগী চেল্লকখিবা ইবুংশীজ গম্ভীরসিংহবু তুলারামগী মহুত্তা কছাড় লান্মীগী লাঞ্জিং পুরেন হাপখিবতা নত্তনা তুলারামগী মপা রামসিং অমসুং মখুরাবুসু হৎখিরম্মী। লোয়ননা তুলারামগী মী খরবুসু ফারগা জেলদা থমখিরম্মী। মরমশিং অসিনা তুলারামনা খাসিয়া জয়ন্টিয়া চীংশাংগী চীংলক্তা-মাল্লক্তা লান্মীগী লানশঙ লীংখৎতুনা হিরম্বেশ্বর নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রগী মথক্তা লান হৌনবা থৌরাং তৌদুনা লৈখিবসিনা কছাড় লৈবাক্তা শাথিরবা চৈথেং অমা ওইরম্মী। অদুনা তুলারম কছাড়ীসিনা কছাড় লৈবাক্কী তং-তারবা, ঙহাক লৈতনা লালহৌ লানচং তৌদুনা লৈরবা য়েক্লবা অমা ওইখি।

কুমজা ১৮০৩দগী ১৮২৫ ফাওবগী মনুংদা মৈতৈ নিংথৌমচাশিংনা কছাড় লৈপাক্তা মতেং লৌনবা চেনথোক চেনশিন তৌখিবা অমদি চহী ৭ খুন্তাক লানশিখিবগী মতমদা হায়রিবা নিংথৌমচাশিংদুনা (মখোয় অহুমখক্তনি) কছাড় লৈপাক্কী ঙমখৈ মনুংদা মচেৎ-মচেৎ খাইদোক্লদুনা পানখিবগী ৱাফমশিং থাদোকচরগা কছাড়গী লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভাগী মশাগী ওইনা লৌজরিবা ৱাফমগী মতাংদা লাকচগে - কছাড় লৈপাকসি হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগীনি, হায়রিবা গোবিন্দচন্দ্র নরায়নসি মহাক্কী (ইন্দুপ্রভা) মপূরোইবনি, মহাক মশানি অদুনা কছাড় লৈপাক্কী লৈমাবী, লৈমরেম্বী অমা ওইনা মপূরোইববু অমদি কছাড়ীশিংবু অৱাফমদগী কনবা হায়বসি মহাক্কী থৌদাংনি, থৌগায়নি হায়বা ৱারেপসি ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মশানা লৌজরম্মী। অদুগা কছাড় লৈপাকপু শাফু পীরক্লিবনা মহাক্কী মপাবুংগা পোকমিন্নবা মতোন শীজ ঙাক্তা ওইবসিদা মীমাঙ থোকপা য়াদবা ৱাফমসি ইন্দুপ্রভানা করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বরোমদা কোক থাদরম্মী। অদুবু হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্রনা বৃটিশকী মতেং ফংদ্রবদা ঔৱাগী নিংথৌ বোদাআপ্রাদগী মতেং লৌনবা খোঙথাং অমুক লৌখৎলম্মী। অদুদগীদি কুমজা ১৮২৩দা ঔৱা নিংথৌনা কছাড় লৈবাক্তা লৈরিবা মৈতৈ নিংথৌমচা অহুম্বু (মমিং পঞ্জদ্রে) চঙনা ফারক্লবা থৌরাং পায়খৎলকপদা বৃটিশ-ইষ্ট-ইন্দিয়া কম্পনিনা কুমজা ১৮২৪দগী কছাড় লৈপাকসি মখোয়গী ঙাকশেন মখাদা লৈরে হায়না হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়ন অমসুং কোনুংগী ফম্বৈ-ফমলুপশিংদা খঙহনখি। লোয়ননা মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু ওইখিবা চৌরজিৎ, মার্জিৎ অমসুং ইবুংশীজ গম্ভীরসিংহ মখোয়বু বাঙ্গলা লৈপাক্কী শ্রীহট্ট/সীলেটতা হোংহনখি। অসুম্না কছাড়গী লম পূন্নমক হিরম্বেশ্বর গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী মমিংদা কুমজা ১৮২৪দা অমুক হঞ্জিল্লম্মী। অদুবু অমুকসু চহীসিমক্তদা বর্মিজশিংনা মৈত্রবাকলোমদগী, অসামগী পাৎকোয় চীংশাংলোমদগী অমসুং জয়ন্তিয়ারোমদগী কছাড়গী খাসপুর কোনুং তম্না তকশিল্লকখিবদগী ইন্দিয়াগী গভর্ণর জেনরেল লোর্দ আমহষ্টনা এঙ্গলো-বর্মিজ ৱার কুমজা ১৮২৪গী মার্চ ৫দা লাউথোক্লম্মী।

লানফমদুদা গোবিন্দচন্দ্র নরায়নগী মতিক চাবা লান্মী লৈতবনা বৃটিশকা শরুক য়াবা ঙমখিদবদগী চহীদুমক্তদা বৃটিশকী মখা থাবা লৈঙাক অমা ওইনা কছাড়বু ঙাকপী-শেনবীবগীদমক্তা চহীদা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ বৃটিশতা পীন-থিনবগী য়ানচে ইনদুনা কছাড় নিংথৌগা খূৎয়েক (সহি) পীনখিরম্মী। অসিগুম্বা বৃটিশকী মতেংসি নৎলমদ্রবদি কছাড় লৈপাকসি মপান লৈপাক মচাশিংগী চৈথা অমসুং শাফুশিংনা কছাড়ীশিং অসি শৈদাং-য়ূমদাং-মী (রিফ্যুজি) ওইহৌরগনি হায়বসি ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী ৱাখলনি। অদুনা য়াম্লবা শেনফমসি কছাড়বু ঙাকথোক কনখৎনবগী অমদি ঙাকশেলগী মমল পীখিবদা লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভানা অয়াবা পীখিবনি।

মৈত্রবাক মণিপুরলোমদনা, ঔৱা/বর্মিজশিংবু ইবুংশীজ গম্ভীরসিংহ, নরসিংহ মচিন মনাওনা তকথোকখিদুনা ইবুংশীজ গম্ভীরসিংহ (শামু ফাবা) না মৈদিংঙু চীংলেন নোংদ্রেনখোম্বা হায়বা ফম্বাল মিংলেন লৌদুনা কুমজা ১৮২৫গী কালেনগী ২৬নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মৈত্রবাক মণিপুরগী নিংথৌ ওইখ্রে। অদুগা কছাড় লৈপাক্তদি, নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নসি বৃটিশকী ঙাকশেনগী মখাদা লৈজরবসু মখোয়দা থিগদবা চাউরবা শেনফমগী অৱাবনে অমসুং তুলারাম কছাড়ী অমসুং মীরৈবাক্কী নিংথৌ (মমিং পঞ্জদ্রে) মখোয় অনীমনা শৌ তিঞ্জং ওইনা লৈখিবনা ঈংনা চিক্লা পানবা ঙল্লমদে। অসিগুম্বা মতমদুদা বৃটিশ-ইন্দিয়াগী গভর্ণর জেনরেলগী এজেন্ট ডেভিদ স্কোটনচিংবা বৃটিশ ওফিসরশিংনা কছাড় লৈপাকপু বৃটিশ ইন্দিয়াদা তিনশিন্নবা অমসুং লৌশিন্নবা হোৎনরিঙৈগী চরাংনবা চৈরক কুমজা ১৮৩০গী এপ্রিল ২৪, থাংজ নুমিত্তা হিরম্বারাজ গোবিন্দচন্দ্র নরায়নবু মহাক্কী নৌনা শাবা কংলৈ হরিতিকার কৌবা মফমদা মহাক্কী তাল্লোই লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভাগী মমাঙমক্তদা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখিরম্মী। লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভানা মপূরোইবা গোবিন্দচন্দ্রবু হাৎখিবসি কনাগী খুজিল থৌরংননো হায়বসু খঙলম্মী, মতাংসিমদি থাদোকচরে। অসুম্না কছাড়গী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র লৈখিদ্রবদা, বৃটিশ ওফিসরশিংনা হাংদুনা লৈরিবা নিংথৌ ফম্বালসি মেনশিন্নবা খন্ন-নৈনবগী থবক অমুক লৌখৎলকখিরম্মী। মতমদুদা ফম্বালগী হক তাল্লিবশিংগী মরক্তগী খন্দোক-খঞ্জিন তৌরগা মীশক অহুমদা তারকখি, অমুক মখোয় অহুমগী মরক্তগী খন্নবগী ৱাফম লাকখিরম্মী। হায়রিবা মখোয়শিংদুদি (১) লৈমরেম্বী ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা (২) তুলারাম কছাড়ী অমসুং (৩) মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ (মণিপুরগী নিংথৌ) নি। অদুবু হক তাল্লিবশিং অসিদগী নাথৈরগা কুমজা ১৮৩২গী ওগষ্ট ১৪দা বৃটিশ-ইন্দিয়াদা নম্ফু হাফুদা তিনশিনখিরম্মী। তুলারাম কছাড়ীনা পাল্লম্বা শরুকশিংসু বৃটিশতা তিনশিনখি। লোয়ননা কছাড় লৈঙাকপগী থবক্লা লেফটিনেন্ট ফিশরদা কুমজা ১৮৩৩দা মহাক্কী লৈঙাকপগী ফম্বী লৈকোক (হেদ ক্বার্টরস) মিদুদপুৎলিদা লীংখৎতুনা চথুরকপদগী সিলচর কংলৈদা হোংলক্তুনা লৈহনখি। অদুগা কছাড় লৈবাক অপূনবসি বৃটিশনা লৌশিন-তিনশিনবগী খূৎয়েকনা কছাড়গী মায়কৈদা লৈমরেম্বী ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাবু তৌহনখি। মতৌ অসুম্না মনীং-মখা তম্না পাঞ্জরম্বা কছাড় লৈবাক্কী মরাইবকসি ঙসিদি অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা মমিং তাবোই তাদবোই লৈখ্রে।

কছাড় পূন্নমক বৃটিশনা অসুম্না লৌশিনখ্রবদা, মরাং লৈমা ইন্দুপ্রভাসু কংলৈ হরিতিকারদা মপূরোইবা নিংথৌনা শাবিরম্বা কোনুংগী শঙ্গায়দা মহাক্কী অয়োকপা মচাইবুংঙো অমদি মনাই মশনশিংগা লোয়ননা লৈখিরম্মী। অদুদগী চহী খরগী মতুং কুমজা ১৮৪৪দা মৈত্রবাক মণিপুরদা মতোনশী মৈদিংঙু নরসিংহনা ‘লাইরেন নোংলেন শেন্থেং মনিকখোম্বা’ হায়বা ফম্বালগী মিংলেন লৌদুনা নিংথৌ ওইখিবগী ঈ-পাউ তাবদা লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভানা মপাম লমদম মৈত্রবাক মণিপুরদা থোকনীংলকখি। অসুম্না লৈমা ইন্দুপ্রভা অমসুং মহাক্কী মচাইবুংঙো অমদি মনাই মশন কয়াগা লোয়ননা পূন্না মী ১০০ রোম কুমজা ১৮৪৯গী জন্যুৱারী থাখায়দগী কছাড় থাদোক্তুনা খোঙশাল্লকপনা মৈত্রবাক্তা থাসিগী ১৪দা থুংখিরম্মী। ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভা মপাম লমদমগী কোনুংদা থা ১ নুমিৎ ২০নি লৈরম্মী। মহাক্লা মতোনশীজ নিংথৌরেন নরসিংহদা হঙ্গৎচদুনা মহাক্কী মচাইবুংঙো ময়াং নিংথৌমচাদুগী লাইমিং পীহনখি। ময়াং লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভানা কছাড়দা হনখিগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ নিংথৌকাবা নুমিৎতা কৈথেলদা থোক্তুনা শেল চায়রম্মী। মহাক্লা মপান লমদম মৈত্রবাক থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা মতোনশীজ মৈদিংঙুনা শগোল, শামু, ইরোই, ষণনচিংবা অওং-অউনগী পোৎলম মশীং শুনা পীবিখিরম্মী। অসুম্না লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভা মৈদিংঙু নরসিংহ অমদি কোনুংগী লৈমশীজ কয়াগা নুংশি নুংশি কায়না য়াথং লৌনরবা মতুংদা মরৈবাক কছাড়দা হনখিরম্মী।

ইজরিবা, থমজরিবা ৱাফমদি - মৈত্রবাক লমদমদা ঔৱাশিংগী মখূৎতা চহী ৭ খুন্তাক লানশিখিবা (কুমজা ১৮১৯-১৮২৫) গী মতমদা মণিপুরদগী চেল্লকখিবা ঔৱাশিংগী চৈথেং নংলবা মীশিংনা কছাড়গী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈহনখিবশিং অয়াম্বনা লৈমরেম্বী ৱাংঙমলোন ইন্দুপ্রভাগী থৌরাং থৌশিল কয়ামনি। অসিগুম্বা কছাড় লৈবাক্কী পুৱারী অমগী ৱারী শিংবুনবু শম্বা য়াবা শমজিল্লগা ইজবনি। অৱাৎপা কয়ামা, অশোয়বা কয়ামা য়াওরম্লগনি ঙাকপীগনি। অদুগা কছাড় লৈবাক (ময়াং লৈবাক/দিমাসা/হিরম্বদেশ) না খরা খরা মরাই চায়থরকপদগী মমৈথংদা খংমুৎ মুৎখিবগুম তৌখিবা অসিগী ঈ-পাউগী ৱাফমসিমসু পীফম খঙদে, থাদোকচরে।

মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং :- ১) চৈথারোল কুম্বাবা - লৈখিদ্রবা লাইরেনময়ূম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং পণ্ডিট নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ ২) পৱারী-পুৱারীগী মৈতৈ চনু খরা - লৈখিদ্রবা বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা ৩) ‘লমদমসিগী পুৱারীদা হেরাচন্দ্রগী মফম’ হায়বা সেমিনারদা য়াওখিবা - ডা. এম কাওবা সিংহগী আর্টিকল পেপর অমদগীনি।।◀◀